# ওর্গানিক ডেরি ফার্মিং

ডো. সরাংথেম জেসমারানি

ওর্গানিক ফার্মিং হায়বসি অনৌবা লৌউ-শিংউগী কাণ্ডলোন অমদি নত্তে। মসি থায়নদগী হৌনা চৎনরক্লবা য়ূমথোঙ খুদিংদা য়েন-ঙানু, শা-ষণ কয়া লোয়দুনা মদুদগী ফংলকপা মথী, ময়ুং পূম্নমক্না ইশ্বোল/লৌবুক্তা হুন্দোক্তুনা নৎত্রগা হৈদোক্তুনা হার ওইনা শীজিন্নে। মসিনা অতোপ্পা রসায়নগী পোৎলম কয়া শীজিন্নদে । মসিবুনি ঐখোয়না ইচম চম্না ওর্গানিক ফার্মিং হায়না খঙনরিবা। ওর্গানিক ডেরি ফার্মিং হায়রগনা শঙ্গোম অমদি মীট ওর্গানিক ওইনা পুথোরক্কদবদু ওর্গানিক লোমদা য়োকপা হায়বদি মখোয়না লৈগদৌরিবা মফমদু নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না লৈবা, অফা অপুন লৈদুনা ৱাহন্দবা, পীজগদৌরিবা পোৎলম খুদিংমক রসায়নগী হার, কেমিকেল হীদাকশিং শীজিন্নদনা য়োকপদুবুনি।

মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী হেন্না শঙ্গোম পুথোকপসি ইন্দিয়াননি । অদুবু পুথোক্লিবা শঙ্গোমসি চাদা ৭০ দি লায়র অনং খাঙদুনা লৈরিবা ফার্মর ঙাক্তনি। মরম অসিনা ওর্গানিক ডেরি ফার্মিং তৌবা মতমদা অসিগুম্বা ডেরি ফার্মরশিংবু ওর্গানিক ডেরি ফার্মিংলোমদা মায় ওনশিন্নবা হোৎনবা মথৌ তাই।

**ওর্গানিক শঙ্গোমদা য়াওরিবা মরু ওইবা মচলশিং :**

ওর্গানিক হায়বদি 'ওর্গানিক ওইনা থাবা অমদি ওর্গানিক ওইনা পুথোকপা' হায়বসিনি। য়ু এস দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচর (য়ু এস দি এ) ষ্টেন্দার্দকী মতুং ইন্না শঙ্গোম অমদি শঙ্গোমগী পোথোকশিংসি 'ওর্গানিক' ওইনা থাগে হায়রগদি ওর্গোনিক শঙ্গোম পুথোরক্কদবা ষণবীদু ওর্গানিক ওইনা মচিঞ্জাক পীজবা, য়াম্না চিন্না থন্বীদবা, নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না ফংবা, রসায়নগী ওইবা হীদাক লাংথকশিং, হোর্মোনশিং অমদি অতোপ্পা হীদাক লাংথক অমত্তা শীজিন্নদবা ওইগনি। ওর্গানিক শঙ্গোমনা ওর্গানিক নত্তনবা শঙ্গোমদগী অহেনবা ন্যুত্রিয়েন্ট অমদি ভিটামিন শরুক হেন্না য়াওই। ওর্গানিক শঙ্গোমদদি এন্টিবাইওত্রিক্স অমদি হোর্মোনগী অরেম্বা অমত্তা য়াওদে অমদি কেলসিয়ম অমদি লীনোনীগ এসিদ মরাং কায়না য়াওই। মসিদসু নত্তনা ওর্গানিক্কী শঙ্গোমদদি ওমেগা-৩ মরাং কায়না য়াওই অমদি ভিটামিন ঈ চাদা ৫০ হেন্না ওর্গানিক নত্তবা শঙ্গোমদগী হেন্না য়াওই। ওর্গানিক শঙ্গোমদা এন্টিওক্সিদেন্টকী চাংসি ওর্গানিক নত্তবা শঙ্গোমদগী শরুক ২-৩ হেন্না য়াওই। ওর্গানিক শঙ্গোম থকপদা নোংমদা চঙগদবা ভিটামিন ঈগী চাংদু নুপাদা চাদা ১২ অমদি নুপীদনা চাদা ১৭.৫ পীরি।

**ওর্গানিক ডেরি ফার্মিংলোমদা লাক্লবা ষ্টেপ খরা :**

- ওর্গানিক্কী পোথোক পুথোক্লবা হোৎনবদা চঙগদৌরিবা খুদিংমক চেজনবীগনি। চেজনবা মতমদা ডেরি ফার্ম তৌবদা পীজগদৌরিবা মচিঞ্জাকশিংগী হৌরকফম, মখোয়দা নারকপা মতমদা শীজিন্নরিবা হীদাক লাংথকশিং অসিনচিংবা ময়াম অমা ইশিনবীগনি।

- শঙ্গোম পুথোক্কদৌরিবা ষণশিংদু মফমদুগী অকোয়বগী ফীভমদা লৈবা ঙম্বা ওইগদবনি।

- অশেংবা নুংশিৎ, নুংশা মঙাল নীংথিনা ফংবা মফমদা থন্বীদুনা মখোয়না কুনফম, পোথাফম, মশা মশাগী ওইবা মওংদা লৈনবা শেম্বীগনি।

- শঙ্গোম পুথোক্কদৌরিবা ষণবী খুদিংমক মতম মতমগী ওইবা কাপ্তবা য়াদ্রবা টিকা থাদোকপীবা য়াই । অদুবু জেনেটিকেল্লি ইঞ্জিনিয়রট তৌরবা টিকা থাবদি য়াদে।

- ওর্গানিক্কী শঙ্গোম পুথোক্লবা হোৎনবদা ষণবীশিংদা পীজগদৌরিবা মচিঞ্জাক খুদিংমক



ওর্গানিক ওইনা থাবা ওইগনি অমদি মখোয়দগী ফংবা ষন্থি, ষণয়ুং অমদি অতোপ্পা অরেম্বা মচিঞ্জাকশিং শজিকশিং ময়ামসি পুমথহল্লগা রিসাইকল তৌদুনা ওর্গানিক লাইভষ্টোক ফার্মিংদা অচৌবা থৌদাং লৌহনবীগনি।

- নারক য়েক্লকপা মতমদদি ভেটিরিনরিগী কেমিকেলগী হীদাকশিং শীজিন্নবীরোইদবনি। মসিগী মহুৎতা হর্বেল হোমিওপেথিক্কী হীদাকশিং নৎত্রগা থায়না অহল লমন, ইপা ইপুনা মশাগী ওইবা হীদাক কয়া অমা শীজিন্নদুনা অনা লায়েং তৌবদু ওইনা শীজিন্নগনি। করিগুম্বা ভেটিরিনরিগী কেমিকেল হীদাকশিং শীজিন্নবা তারগদি হীদাক খুদিংমক্তা হীদাক্তুগী ৱিথদ্রোএলগী মতম ইবা উগনি। হায়রিবা মতমসিদা পুথোরক্লিবা শঙ্গোমশিং ওর্গানিক ওইদে মতম লোইরবা তুংদা পুথোরক্লিবা শঙ্গোমদু ওর্গানিক ওইনা শীজিন্নবা য়ারগনি।

- ষণশিং পুথোক পুশিন তৌবা মতমদা মশা ৱাহনবা/চোকথহনবা তৌবিরোইদবনি।

**ওর্গানিক ওইনা মচা লৌবদা :**

- মচা লৌবা মতমদসু পুথোরক্কদৌরিবা মচাদু ওর্গানিক লোমদা লাক্লবা মফমদুগী অইং অশাগা চান্নগদবা ষণশিং ওইনা লোয়বীগনি।

- মচা লৌবা মতমদা এ আর তৌবা হায়বদি মচা কাপ্পদি য়াই অদুবু এমব্রিও ত্রান্সফর তৌবদি য়াদে।

- জেনেটিকেল্লি ইঞ্জিনিয়রট তৌরবা মচাশিংদি ওর্গানিক ওইবা য়াদে।

- মচা পোক্লবা হোর্মোন শীজিন্নবসু য়াদে।

- মচা লৌবা মতমদা ষণ লাবা শীজিন্নগদবা ওইরগদি লাবদু ওর্গানিকলোমদা শেন্নবীগনি ।

- করিগুম্বদা পোক্কদৌরিবা মচাদু অমদি ষণবী শঙ্গোমদু ওর্গানিক লোমদা লাকহনগে হায়রগদি অহুমশুবা ত্রাইমেসটরদগী ওর্গানিকেল্লি মেনেজ তৌবা য়ারগনি।

**ওর্গানিক ওইনা মচিঞ্জাক পীজবদা :**

- ষণবী ষণাও খুদিংমক ওর্গানিক ওইবা মচিঞ্জাক পীজবীগনি।

- পীজগদৌরিবা মচিঞ্জাকশিং থাবা মতমদা কেমিকেল/রসায়নগী হার/হোরমোন শীজিন্নবীরোইদবনি।

- মচিঞ্জাক পীজবা মতমদা অহেনবা তোঙানবা ভিটামিন/মিনরেলশিং ওর্গানিক ওইদবদি পীজবা য়াদে।

- শঙ্গোম থোকপী ষণশিংদা হেন্না শঙ্গোম থোক্লবা অতোপ্পা হীদাক লাংথকশিং শীজিন্নবা য়াদে। ষণাও মচাশিংসু ওর্গানিক্কী শঙ্গোম পীথকপীগনি অদুগা থা ৬ হেল্লগা ওর্গানিক্কী শজিক চাবা তম্বীগনি।

**ৱেলফেয়র মিজরশিং :**

মখাদা থল্লিবা হীরমশিং ওর্গানিকলোমদা লাকপদা চৎনবা য়াই।

- মশা শেমদোকপা
- মচী ককপা
- মনা অমদি মথা মশক খঙনবা ককথৎপা
- মশক খঙনবা অশাবা য়োৎনা মশাদা নম্বর শীজিন্নদুনা নম্বা
- মমৈ ককপদি ওর্গানিক ফার্মিং তৌবদা য়াদে।

**ওর্গানিক ওইনা লৈনবা চেকশিন থৌরাং লৌবা :**

- মকোন অদু লূ-নান্না নিংথিনা শেম্বীদুনা লায়না কয়া লাক্তনবা হোৎনবীগনি।

- লায়না লাক্লগসু থায়নগী হীদাক লাংথকশিং শেমদুনা পীজবা । মসিদা এন্টিবাইওটিক্স, হোর্মোন, পীজবীদুনা ষণবুশিংনা ওর্গানিকলোমদা লাক্তুনা পুথোক্লিবা শঙ্গোমসি ওর্গানিক ওইরগসু মসি সার্টিফিকেট অমা য়াওদ্রগদি চৎনবা য়াদে। মরম অসিনা সার্টিফিকেট পীবা ঙম্বা ওর্গানাইজেসন খুদম ওইনা হায়রবদা ওর্গানিক ফার্মরস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া, নেসনল ষ্টেন্দার্দ ওফ ওর্গানিক প্রদক্সন, এগ্রিকলচর এন্দ প্রোসেস ফুদ প্রদক্ট এক্সপোর্ট দিভলপমেন্ট ওথোরিটি অসিনচিংবশিংসি মখাদা থমজরিবা প্রোসেস অসুম্না তৌবীগনি।

ওর্গানিক সিষ্টেমগী ফোর্ম অমা লৌবীরগা এপ্লিকেসন থাজিনবীগনি

।

থাজিল্লবা তুংদা অহানবা ওইনা কম্মিটিনা রিভিয়ু তৌরবা তুংদা

।

ফিল্ডদা ইন্সপেক্সন লাক্তুনা ফার্মিং তৌরিবা ষণবুশিংগা উনদুনা ৱাহং পাউহং তৌরবা তুংদা

।

ফাইনেল রিভিয়ু তৌবা

ফাইনেল এপ্রুভেল লৌরবা তুংদা সার্টিফিকেসন দিসিজনলোমদা চে চাং পূম্নমক পীশিল্লবা তুংদা

।

সার্টিফিকেট ফংবা

।

চহী চহীগী ওইনা মখা তানা অমুক ইন্সপেক্সন তৌদুনা রিন্যু তৌবা

মীওইবা ঐখোয়না নাদ য়েক্তনবা চারিবা চিঞ্জাকশিং ওর্গানিক্কী পোথোক ওইহননবা ওর্গানিকলোমদা মায় ওনশিনবগী মতম য়ৌরে। মরম অসিনা হকচাং ফবনা লননি হায়বসিগী পান্দমদা ওর্গানিক ফার্মিং অসিদা মায় ওনশিল্লসি। ●

# লৌউ-শিংউবদা থেংনরিবা জেন্দরগী ইস্যুশিং

ডো: য়ূম্নাম বেদজিৎ

(১) ফেমিনাইজেসন ওফ এগ্রিকলচর : লৌউ-শিংউবা অসি ঐখোয়গী লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাউবা পোথোক পুথোকপগী শিনফম অমনি। লৈবাক্কী অপূনবা গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্টকী চাদা ২৭তি লৌউ-শিংউবদগী ওইরি। লৌউ-শিংউবগী শিনফম অসিদা নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি অসুম অসুম হেনগৎলক্লি।

খুঙ্গংশিংদা লৈরিবা নুপী অয়াম্বনা ফার্মরনি হায়না লৌবা য়াই। মরমদি নুপী অয়াম্বনা শেল ফংনবগী লৌউ-শিংউগী থবক তৌই নৎত্রগা মশাগী ময়ূমগী লৌউ-শিংউবগী থবক তৌই। করিগুম্বদনা অনীমক তৌই। নুপা অয়াম্বনা শেল য়াম্না থোক্কদৌবা শিনফম থিদুনা চৎনখিবনা মরম ওইদুনা নুপীশিংনা লৌউ-শিংউগী শিনফম অয়াম্বা তৌনরক্লি। মরমশিং অসি লৈবনা ঐখোয়গী লৈবাক্কী লৌউ-শিংউবা অসি ফেমিনাইজেসন ওফ এগ্রিকলচর হায়না হায়রিবনি।

২) ওভর-বর্দন ওফ ৱার্ক : খুঙ্গংদা লৈরিবা নুপী অয়াম্বনা তৌরিবা থবক অসি মখোয়না তৌবা ঙম্বা থবক্তগী য়াম্না হেল্লি। বৈগ্যানিকশিংনা থিজিনবদগী ফংলকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না নুপী অয়াম্বনা নোংমদা পুং ১৫-১৬ থবক শূই। মসিগী মনুংদা পুং ৭-৮ রোমনা য়াম্না কন্না শূই। অদুগা পুং ৫-৬ রোমনা ইশ্বোল-শম্বল অমদি ইমুং-মনুংগী থবক ওইনা তৌই। নুপীশিংনা অয়ূক্তা ঙন্না হৌগৎতুনা থবক শূবা অমদি নুমিদাং তূম্বা মতমদসু নুপাশিংদগী থেংনা তূম্মী। লৌউ-শিংউবদা নুপাশিংনা কয়া তৌনীংদবা থবকশিং মরুওইনা লৌ লিংবা, লৌ পেংবা, লৌ লোকপা, ফৌহাম হুম্বনচিংবনি। হায়রিবা থবকশিং অসি নুপীশিংনা তৌই।

৩) ইম্পেক্ট ওফ টেক্নোলোজি : লৌউ-শিংউবগী অনৌবা টেক্নোলোজি খরদি নুপীশিংদা য়াম্না শোকহল্লি। খুদম ওইনা হায়রবদা মলটিপল ক্রোপিং পাঙথোকপদা নুপীশিংগী থবক য়াম্না হেনগৎহল্লি। তৌইগুম্বসুং নুপাশিংনা তৌনরম্বা থবক অয়াম্বদি মেছিননা মহুৎ শিনখ্রে অমদি নুপীশিংনা পাঙথোক্লিবা থবকশিং অসি ত্রেনিংগী শরুকনি। করিগুম্বা নুপীশিংগী খুদোংচাগদৌবা থৌওং খরা (টেক্নোলোজি) পুথোক্লবসু নুপাশিংনা মহুৎ শিন্দুনা শীজিন্নখি অমদি টেক্নোলোজি থোইনা চংদবা থবকশিংবুনা নুপীশিংনা তৌহৌই।

৪) চাওখৎপদা খেন্নবা : নুপীশিংনা ইমুং মনুংগী থবকশিং অমদি চাওখৎ থৌরাংদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। তৌইগুম্বসুং মখোয়গী থৌদাং অসি খঙবীদনা লৈরি অমদি লৈবাক্কী ওইবা রিপোর্টতা য়াওদবা মরম্না চাওখৎ থৌরাংগী পোরম য়াৎপদা খুদোংচাদ্রি। মরমশিং অসিনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অমদি বৈগ্যানিকশিংনা নুপীশিংগী চাওখৎ থৌরাংশিং খুঙ্গংগী নুপীশিংদা য়ৌহনবা ঙমদ্রি।

খুঙ্গংদা লৈরিবা নুপী অয়াম্বগী মমিংদা লম লৈতবা মরম্না লোন লৌবনচিংবা তৌদুনা শেন্থং লৌথবগী খুদোংচাহন্দে। তৌইগুম্বসুং লৌথখিবা শেনফমশিং শিংদোকপগী মতাংদদি নুপীশিংনা নুপাশিংদগী চাং নাইবা হেল্লি অমদি শেল শিংকৎলক্তবগী খুদোংচাদবগী চাং হন্থে।

খুঙ্গংদা লৈরিবা নুপীশিং ত্রেনিং অমদি এক্সটেন্সনগী খুদোংচাবা ফংদে। মরম অদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী চাওখৎ থৌরাংগী পোরম শেম্বা মতমদা নুপীশিংগী ওইবা অখন্নবা মীৎয়েং চংফম থোকই। লৌউ-শিংউবা অমদি ঙা য়োকপনচিংবা থৌওংশিংদা শরুক য়ারিবা নুপীশিংগী পোথোক য়ামদে অমদি মার্কেট বোর্দ অমসুং কো ওপরেটিবশিংদা য়াওদে। মরম অসিনা লন্নাই ওইনা লল্লোন ইতিক তৌবা মীওইশিংদা মখোয়গী পোথোকশিং অদু য়োল্লি।

লৌউ-শিংউবগী মতাংদা থিজিনবগী থবক তৌরিবা বৈগ্যানিকশিংনা পুথোরক্লিবা টেক্নোলোজিশিং অসি চাউনা লল্লোন ইতিক তৌবা য়াবা পোথোকশিংগী মতাংদনা অয়াম্বা ওই। নুপীশিংনা খুঙ্গংশিংদা পুথোক্লিবা পোৎথোকশিংগী মতাংদদি থোইনা য়াওদে। মসিগীসু মথক্তা খুঙ্গংদা লৈরিবা নুপীশিং অয়াম্বনা লাইরিক হৈতে। মরম অদুনা অনৌবা পুথোরকপা টেক্নোলোজিশিং য়ৌহনবদসু ৱানা থোকই।

মথক্তা পনখ্রিবা মরমশিং অসি লৈদুনসু চহী খরগী মমাঙদা লৈরম্বা নুপীশিংগী নুংঙাই য়াইফবা অমদি চাওখৎ থৌরাংগী মতাংদা অসুক্কী মতিক অহোংবা লাকখ্রবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা কুমজা ১৯৫০দগী ১৯৭০ অমদি কুমজা ১৯৯০ দা নুপীশিংগী নুংঙাই য়াইফবা অমদি চাওখৎ থৌরাংগী মতাংদা অসুক্কী মতিক অহোংবা লাকখ্রবনি।

এগ্রিকলচরেল পোলিসি ২০০০গী মতুংইন্না লৌউ-শিংউবদা থেংনরিবা জেন্দরগী ইস্যুশিং অমদি নুপীশিংনা লৌউ-শিংউবদা লৌরিবা থৌদাং য়াওরি। তেন প্লানগী মতুংইন্নদি নুপীশিংগী ওইবা মখল খুদিংগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা থৌরাং খুদিংমক য়াওরগনি। ●

# নীংথম লৌরোক মতমদা হৱাই থাবগী তঙাইফদবশিং

ডো. ৱাইখোম জিতেন

মীওইবনা চিঞ্জাক ওইনা চানরিবা পাম্বীশিংগী মনুংদা হৱাই অসি মপূং ওইনা ইন্দিয়া অমদি মণিপুরদা লৈরিবা মীয়ামগীদমক তঙাইফদনা থাদবা য়াদ্রবা পাম্বী মখল অমা ওইরি। ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীয়ামগীদমক ফৌ, গেহু, চুজাক্কী হেক মথংদা হৱাই হায়বসি মপূং ওইবা চিঞ্জাক্কী মচল অমা ওইরি। হৱাইদা ফেটকী চাং অসি চাদা ১-৫ ফাওবা অদুগা প্রোটিননা ১৮-৩২ ফাওবা য়াওদুনা ইন্দিয়াগুম্বা লৈবাক্তা মী অমনা নোংমদা মথৌ তাবা প্রোটিনগী চাংগী চাদা ১০দি পীরি।

হৱাইদা য়াওবা অতোপ্পা মরুওইবা চিঞ্জাক্কী মচলশিংদি আইরন, জিঙ্ক, ফোলেট, মেগ্নিসিয়ম পনবা য়াই। অমরোমদা অমুক হৱাইদা য়াওবা তোঙান তোঙানবা ভিটামিনগী মখলশিংদি Thiamine, Riboflavin, Pyridoxine folic acid, Vitamin K and Vitamin E নি।

খ্বাইদগী লায়না তুমগনবা অদুগা হোঙনা ফংবা প্রোটিনগী ফংফম অসি হৱাইনি। ফেটকী চাংদি নেম্বা অদুগা ফাইবরগী চাং ৱাংনা য়াওবা প্রোটিনগী ফংফম ওইরিবা হৱাই চাবনা মীওইবদা কোলেষ্টেরোলগী চাং নেমহন্দুনা থম্মোয় (হার্ট) গী মশা-মউ ফনা লৈহনবদা মতেং পাংই।

হৱাই অসি তোঙান তোঙানবা লৈবাক লৈহাও অমদি নোংজু নুংশাগী ফীভমদা হৌবা ঙমই। অদুবু মণিপুরগুম্বা নোংজুগী চাং ৱাংবা, নোংজু থাগী মতমদা লৌফম অয়াম্বা ঈশিং থুমজিন্দুনা লৈবা মফমদা নোংজু লৌরোক মতমদা হৱাই থানবা মফম য়াম্না লৈতে। মরম অসিনা মণিপুরগুম্বা মফমগীদমক্তি নিংথম লৌরোক মতমদা থাবা য়াবা হৱাই মখলশিং খুদম ওইনা চানা, মুশোরি, মঙ্গল, কশারিনচিংবা থাবা য়াই।

লৌফমদা পাম্বী মখল অমখক চহী খুদিংগী থাবা নৎত্রগা মান্নবা পাম্বীগী কাঙলূপকী পাম্বীশিং খুদম ওইনা ফৌ, গেহু, চুজাক চহী অমগী মনুংদা ওন-ওন্দুনা থাবনা লৌফম অদুগী পোৎথোক পুথোকপা ঙম্বগী মপাঙ্গল হন্থহল্লি। ফৌ, গেহু, চুজাক হায়রিবা পাম্বী মখলশিং অসি মরা য়াম্না লুনা তাদবা, মথক থংবা লৈরোলদা লৈবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকখক্তমক চাবা ঙম্বা পাম্বীশিং ওইবনা, পাম্বী মখলশিং অসি লিশাং শিংনা থারকপা মতমদা লৌফম অদুগী পোথোক পুথোকপা ঙম্বগী মপাঙ্গল হন্থরকই। অসিগুম্বা মফমশিংদা মরা লুনা তাবা হৱাইগুম্বা পাম্বীশিং থাবীনবা অরুবা লৈরোলদা লৈবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং হৌরিবা পাম্বীশিংনা শীজিন্নখিবগা লোয়ননা পাম্বীশিং অসিনা হৌরিঙৈদা অরুবা লৈরোলদগী চিংখৎহৌবা অদুগা পাম্বীগী মরা অমদি কেলহৌবা মনাদা য়াওবা মচিঞ্জাকশিং অদু পাম্বীগী মরা অমদি মনাশিং অদুনা পৎথরক্লবা মতমদা মতুং তারকপা মতমদা থাবা মরা থেন্না চৎপা পাম্বীশিংনা অমুক ফংবা ঙমই। অমরোমদা অমুক করিগুম্বা মতমদা হৱাই অসিবু পাম্বীশিংবু চাওখৎহনবদা মতেং পাংবা পাম্বী হায়রগসু খঙনৈ।

হৱাই হায়বা পাম্বী মখল অসি নুংশিত্তা মরাং কায়না য়াওবা পাম্বীশিংনা হৌবদা তঙাইফদনা চংবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক ওইরিবা নাইত্রোজেন অসি বেক্তিরিয়া মখল অমগী মতেংনা ফাজিন্দুনা শীজিন্নবা ঙমই। অসুম্না নুংশিত্তগী ফাজিল্লবা নাইত্রোজেন অসি হৱাই মশাগী ওইনা শীজিন্নবা খক নত্তনা মতুং তারকপদা হৌগদৌরিবা পাম্বীশিংগীসু নাইত্রোজেন পীরমই।

নাইত্রোজেন হায়বা পাম্বীশিংগী খ্বাইদগী মরুওইবা মচিঞ্জাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা পোৎশক অসি নুংশিত্তা চাদা ৭৮ য়াওরিবনি। অসুম্না য়াওরিবা নাইত্রোজেনশিং অসিবু অহিংবা পাম্বী/জীব অমসুং খূৎশেমগী ওইবা মওংদা ফাজিল্লগা পাম্বীশিংদা ফংহল্লিবনি। খূৎশেমগী ওইবা মওংদা নুংশিত্তগী নাইত্রোজেন অসি ফাজিন্নবা হোৎনবদা অহেনবা শেল অমদি পাঙ্গল ময়াম অমা চংহল্লি। লোয়না লোয়ননা লোইবা নাইবা মহৌশাগী পোথোক খুদম ওইনা পেত্রোলিয়ম প্রদক্ট কয়া শীজিন্নখি। মসিনা অমুক ঐখোয়গী অকোয়বা অসিবু মোৎশিনহন্দুনা মদুবু শেংদোক্লবা হোৎনবদা অতোপ্পা থৌগাই কয়া অমা পায়খত্তবা য়ারক্তে। মরম অসিনা হৱাই থাদুনা নাইত্রোজেন অসি পাম্বীশিংগীদমক ফাজিনবীরবদি অকোয়বগী খলসু কায়ররোই, অহেনবা শেল অমদি পাঙ্গলসু চংলরোই।

নুংশিত্তা য়াওরিবা নাইত্রোজেন অসিবু হৱাই পাম্বীনা ফাজিন্দুনা শীজিন্নবদা মতেং পাংলিবা Rhizobium হায়রিবা বেক্তিরিয়া মখল অসি থাগদৌরিবা হৱাই মরূদা তোৎশিনবীরগা থাবীরবদি হৱাই পাম্বী অদুগী মথৌ তাবা নাইত্রোজেনশিং পীবা খক নত্তনা হৱাই লোকখ্রবা মতুংদা লৌফমদা নাইত্রোজেন কেজি ২০-৬০ ফাওবা লৌ পরি অমগী লৌফমদা পীদুনা লৌফম অদু ফগৎহনবদা মতেং পাংই।

হৱাই থাবনা নোংজু অমদি নুংশিৎনা লৈহাও লৈবা মথক থংবা লৈরোলশিং পুথোকখদুনা লৈবাক লৈহাও মাঙশিল্লকপদগীসু ঙাকথোকপদা মতেং পাংই। হৱাই থাবনা লৈবাক্তা পাম্বীগী মচিঞ্জাক হেনগৎহনবখক নত্তনা মাগী মরাদগী থাদোরকপা মহী মচুম খরনা মরম ওইরগা পাম্বীশিংদা কান্নবা পীবা অহিংবা জীব (হিংকুপ) শিংগী মশীং হেনগৎহল্লি। অসুম্না কান্নবা হিংকুপ (মাইক্রোওর্গানিজম) শিংগী মশীং হেনগৎলকপা অসিনা মরম ওইরগা পাম্বীশিং মাঙহনবা ঙম্বা জীবশিংগী মশীং হন্থহল্লি অমদি লায়না মখল কয়াদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংই।

হৱাই মখলশিং অসি মীওইবগী হকচাং ফনা থম্নবা মীওইবগী চিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নবগা লোয়ননা ঐখোয়গী লৌফম ফগৎহনবদা মতেং পাংলিবা অসিগী মথক্তা শা-ষণশিংগী মচিঞ্জাক্কীদমকসু তঙাইফদবা অমা ওইরি। ফৌ, গেহুগী লেমহৌখাকশিং শা-ষণগী মচিঞ্জাক ওইবগুম হৱাইগী লেমহৌখাকশিং অমদি তকখায়রবা হৱাইশিং অসি শা-ষণগী মচিঞ্জাক্কীদমক তঙাইফদবা অমা ওইরি।

অসুম্না মীওইবা অমদি শা-ষণনা মশা-মউ ফনা লৈনবগীদমক চিঞ্জাক ওইনা শোয়দনা চাদবা য়াদ্রবা অদুগা ঐখোয়গী লৌফম মশা মউ ফনা লৈনবগীদমক শোয়দনা থাদবা য়াদ্রবা হৱাই হায়রিবা পাম্বী অসি চহী অমগী মনুংদা ঐখোয়গী লৌফমদা অমুক্তি শোয়দনা থাবীনবা হোৎনবীগদবনি। মণিপুরগুম্বা মফমদা নোংজু লৌরোক্তা হৱাই থানবা মফম মরাং কায়দ্রবসু নিংথম লৌরোক্কী মতম অসিদা ফৌ থাখিবগী লেমহৌবা ঈশিং ঈনিল অমদি ফৌদা হাপখিবা পাম্বীনা শীজিন্নহৌদ্রবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং অসি শীজিন্নজনবা হৱাই থাদুনা চিঞ্জাক্তা মীপান তাংদবা অমদি মতম শাংনা লৌ উবা য়াবা (সষ্টেনেবল) লৌফম শেম্বদা ঐখোয় খ্বাই পূম্বা শরুক য়াবগী তঙাইফদবা অদু লৈরে। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৯

১। বৃটিশনা মণিপুরবু ১৮৯১গী এপ্রিল ২৭তা লৌশিনখিবদগী 'নেটিব রুল' শেমদুনা মখোয়না হাপ্পা নিংথৌ অমনা লৈঙাকখ্রে। অহানবা অদুগুম্বা নিংথৌদু চুড়াচান্দ মহারাজনা ওইখি। মহাক নরসিংহ মহারাজগী শুরোলনি।
(ক) মহারাজ চুড়াচান্দগী অপোকপগী মমিং হায়য়ু।
(খ) মহারাজ চুড়াচান্দবু লাইরিক তমহল্লুবা আজমেরগী কোলেজ অদুগী মমিং হায়য়ু।

২। "য়ূদে শৌনা তাঙজা লিলহা/থিংদে পলনা মলয়া নুংশিৎ/থুক্তে শৌদা, য়েংদে পলদা নুংশিবগী নুংশিৎ।" ফজখ্রবা কবি অমগী পাউরৌ ওইরবা, খোন্থানি। কবিদু কনানো?

৩। "অহীং অসে... ওইরক্কনি শোয়দনা নোংঙানবা/পুরক্কনি মানা/খোয়থুম্নরবা লৈহীসু/থক্কনি ঐনা পেন্না/অৱাবদি/মাগী লৈহী ঙাইবদা/থক্লি ঐনা হূগী হূ ঙাক্তা।" পরেংশিং অসিসু কবি যোদ্ধচন্দ্রগী ফজখ্রবা ৱাহৈশিংনি, চুমখ্রবা। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "লাইদি লাইনি/... মী ওইখিনু লাই নঙ/মী ওনখিনু লাই নঙ।" পরেং অহুম অসিসু "মী ওনখিনু লাই নঙ" কৌবা শৈরেংদুদগী লৌথোকপা ফজখ্রবা ৱাহৈশিংনি। অইবীদু কনানো?

৫। "উমরাউজানগী ৱারী খঙদবা কনাসু লৈরম্লরোই। ফিল্ম ওইনা কয়ারক উনখ্রবনি। অদুবু ফিল্মশিং অদুমক্তি মির্জা মুহম্মদ হাদী রুসৱাগী উর্দু নোবেল অদুদগী শেম্লকপা ঙাক্তনি। অদুদি নোবেল অদুবু মণিপুরীদা হন্দোকখিবা হন্দোক্লোই অদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।